# করিগীনি হায়গে

## অফবগী ‘শক্কিনা’ রা, ফত্তবগীরা

মণিপুরগী মীয়াম্না মখোয়গী ষ্টেটসিদা করম্বা মখলগী লৈঙাক লৈরিবগে, লৈঙাক্লোইশিংনা কনা-কনানো, লৈঙাক্লোনগী ফীভম্না করি ওইরিবগে হায়বসিদি চুম্না খঙবদগী হেন্দোক্তুনা মসিগী মতাংদা য়াম্না মিৎকুপ-নাহুম শিংনা লৈফম থোকই। ইমুং অমদা ওইরবসু ইমুংদুগী মীওই কয়ানো, মখোয়গী মনুংদা শেন্থোক লম্বী লৈবনা কনা-কনানো, কয়ানো, লন-থুম্না কয়াম লৈবগে, থোক্লিবা শেলদুনা ইমুংদু নীংথিজনা চলাইবা ঙম্লিব্রা, ইমুংদুগী তুংগী পোরম্না করিনো হায়বনচিংবনা করি-করিনো হায়বসি ইমুংদুগী মীওই পূম্নমক্না খঙমিন্নগদবনি। মসি ওইরবা মতমদা ‘ট্রান্সপরেন্সি’ গা হায়বদুগী মশক ওইরক্তুনা ফীভমসিগী ৱাহন্থোক মপূং ফারক্কদৌরিবনি। ইমুংদুগী অহল-লমন, মপী-মপা অমসুং মকোক-মরূশিংনসু ‘একাউন্টেবিলিটি’ হায়বদুনা করিনো হায়বসিসু খঙনা চৎকদবনি। লন্নাই মীওইশিংগীনা মশা-মশাগী ইমুংগী মশক খঙগদবনি। লৈঙাক্কী মশক পূম্নমক্না মীয়াম্না খঙগদবনি। ফীভমসি য়ৌনা পুখৎলকপা ঙম্লগদি লৈঙাক্তুসু ‘সিটিজেন সেন্ট্রিক গভর্ণমেন্ট’ অমগা ওইরকপদা নত্তনা মীয়ামদগী ‘কো-ওপরেশন’ অমসুং ‘কো-ওর্দিনেশন’ হায়বদুসু ফংনীংলিবা চাংদু য়ৌনা ফংগদৌরিবনি। মরম অসিনা মীয়াম্না মখোয়গী লৈঙাক্কী মশক খঙগদবনি হায়বসিদা মনেম ফত্তবীনা মমৌনুপীগী খোঙথাং পূম্নমক য়েংশিল্লু অমসুং কোইশেন শেন্নৌ, ‘চিত্রকুপ্ত’ হায়বা লাইদুগী শক্লোন লৌ হায়বা নত্তে। লৈঙাক্তা ‘দেষ্ট্রপটিভ’ ওইবা মীৎয়েং য়েংবগী মহুত্তা ‘কন্সত্রক্টিভ’ ওইনা য়েংনবনি। ‘নেগেটিভ’ কী মহুত্তা ‘পোজিটিভ’ ওইগদবনি হায়বনি। ইলেক্সনগী মতমদনা করম্বা পার্টিগী মীরেপ কনা-কনানো হায়বদু মুন্না য়েংদুনা মশক খঙহৌগদবনি। মীখল মতুংদা শেন্নকপা লৈঙাক্কী মশক, মীথিৎ, লৈঙাক্তুগী লৈঙাক্লোন খঙগদবনি। মসি তৌহৌদবা অমসুং ওইহৌদবদগী খাবক লাক্তুবা হি অনী তোংবদা করাং শেগাই হায়বগুম্বগী থৌদৌশিং থেঙ্খাং খরদা হকথেংনখ্রে। ওইহনফম থোকপা, ওইহল্লম্বসু য়াবদা ওইহলহৌদবদগী থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং মায়োক্নরক্তুনা চৈবি-চৈথেংশিং মায়োক্নবা য়াওখ্রে। মীয়ামগী অফবা লৈঙাক, লৈঙাক্তুগী অচুম্বা লৈঙাক্লোইশিং ওইহন্দুনা লৈহনবা হায়বসিদি মীয়াম্না তঙাইফদনা লৌফম থোকপা থৌদাংনি। ফংফম থোকপা হকশিংগী মনুংসু চল্লিবনি। ৱাফমসি পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি খক্তগী নত্তে। অদুগা প্রসিদেন্টস রুল লৈঙাক্কীসু নত্তে। লৈঙাক মখলদি ওইনীংবা’মা ওইজসনু। ‘ষ্টেট ওফ ইম্মর্জেন্সি’ ওইগেসু ওইজসনু। মতম পূম্নমক্তা লৈঙাক্তুগী ঈহুল পূম্নমক মীয়াম্না খঙগদবনি।

মসি ওইরগদি হৌজিক লৈরিবা প্রসিদেন্টস রুল লৈঙাকসিগী লৈঙাক্লোইশিংগী মনুংদা য়াংলেন শরূ ওইরিবা চীফ সেক্রেটরিবু শিন্দোরক্লিবা করিগীনো? ৱাহংসি মণিপুর কেদরগী আই এ এস ওফিসর অমা ওইবদগী হেন্দোরক্তুনা মমাঙদসু মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লোয়শঙশিংদা থৌ পুরম্বনা ষ্টেটসিগী লম্মীৎ-তুম্মীৎ শিৎ নান্না খঙলবা প্রসান্ট কুমার সিংহ (পি কে সিংহ) বু থাংদোকখি হায়বগী ৱাফম নত্তে। পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি ওইরবসু পি আরগী লৈঙাক ওইরবসু ‘চীফ সেক্রেটরি’ হায়রিবা ফমসিগী থৌদাং ওন্থোক্না মরূ ওইখ্রনি অমসুং চাওখ্রবনি। ওইহনফম থোকই, মতিক চায় হায়বা মীওই খন্দুনা ওইহনগদবনি, করিসু কায়দে, ওইহল্লু। অদুবু মশাগী মণিপুর কেদরদগী থাংদোক্লুরগা অমুক হঞ্জিনহল্লক্তুনা চীফ সেক্রেটরি ওইহল্লকখিবা মহাকপু থা ৭ লোমদমক ফাজিল্লকপদা প্রপ-প্রপ থাংদোকখ্রিবা করিগীনো হায়বনিদা!! পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রিগা পি আর লৈঙাক্কগী মরক্তা মনুংদা মান্নদবা অমসুং খেন্নববুদি লৈরম্বা য়াই। অদুবু মহাক্কী মমাঙদা লৈরম্বা ডা. বিনিট জোসিদি মশাগী সর্ভিস মতম লোইরবা ফাওবদা থা ৬কী ওইনা ফাওবা শাংদোকহন্দুনা ফমসিগী থবক পুহনখি হায়বনি। অমবু ওইরে, অমবু ওইরে হোবে-হোবে তৌদুনা হাথু-হাথু থাংদোকখ্রিবসিগী মরমশিং শোয়দনা লৈগনি। লৈফম থোকই। মরম অসিনা ‘করিগীনি হায়গে’ হায়বগী ৱাহংসি চোংথোরকপনি। অফবদা ওইরক্তুনা হৌজিক মীয়াম্না মায়োক্নরিবা অৱা-অনাশিংসি শিৎ-নান্না পুমকোক কোকপদি ওইরসনু। অদুবু অকনবা য়ুহা অমা হাদ্রিঙৈগী মাঙওইননা য়ুহা মচা-মচা অম-নি হাবা, মীওইবগী হকচাংদসু অকনবা পূন্সি মাঙহনবা ঙম্বা বি পি ষ্ট্রোকনচিংবা’মা তৌরক্ত্রিঙৈদা য়াম্না মাইল্ড ওইবা’মা নৎত্রগা খরা হঞ্জিন-হঞ্জিন তৌনবসু য়াওবগুম্না হিরাক-হিঞ্জিনদা মণিপুরদা করি ওইহল্লক্কদৌরিবনো খঙনীংবগী ৱানি। মরমদি মে ৩, ২০২৩দগী তমথীরবা লানসি হৌরকখিবদগী থোকখ্রিবা য়ামখ্রবা থৌদোকশিংদুনা মণিপুরগী মীয়ামদি খোইনা চিকখ্রগা হয়িং পাইবা য়াদবগী ফীভমদা লৈহল্লকখ্রবনি। হৌজিক্তা ওইথোকপদা ৱারগদবা ফীভমসিদা মীয়ামগী মীহুৎনি হায়জরিবশিংসিনা খঙজহৌদবগী ৱানি। মশাগী টর্ম শুদনা অনুসুইয়া উইকেবু গভর্ণরগী চৌক্রিদগী চিংথোকখ্রিবনি। অতোপ্পা ষ্টেট অমগী গভর্ণরদা থা খরা মণিপুরগীসু অহেনবা চার্জ পুহল্লন্নবা মতুংদা হৌজিক লৈরিবা গভর্ণরসি অমুক খল্লক্তুনা চহীসিগী জন্যৱারীদগী ফমসি পুহল্লকখ্রিবনি। সেন্টরনা গভর্ণর মথং-মথং শিন্দোরকখিবগী ‘শক্কিনা’ মীয়ামগী মীহুৎনি হায়জরিবশিংসিনা শম্না অমগী চাং ফাওবা য়ৌনা খঙজহৌবা নত্তে। থৌওইনা থন্নগে হায়দুনবুদি থন্নকখ্রিবনি। থিংহৌনবগী পান্থে অমসুং থৌনা লৈরবসু কানগদবদি মান্দে। অদুবু ‘শক্কিনা’ দুগী পাউখোঙ ফোঙবা ঙমহৌদবনিনা খূকউ শেলহৌবা ফাওবা ঙমখিদে হায়বনি। অদুবুদি হৌজিক হেক ফাওবদা কাঙলম চেল্লিবনি। অনৌবা লৈঙাক শেন্ননি, শেমহনবীরক্লনি হায়দুনা ‘পোড়োক’ শোনবদৌনা ঈশিং লিৎতবা মখে ব্রং-ব্রং শোল্লকখ্রিবনি। জুলাই ২১, ২০২৫ হৌগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা পি আর শাংদোকপগী অয়াবা লৌননবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না মফি শেম্লে হায়নরকপদগী ঈশিং মনুংদা লৈতুম থাদবদৌনা চুপ লুপ্তুনা লৈনখিবগী ৱানি। মসি ফাওবদা হায়বদি শাংদোকহল্লবা মতুংদা ফাওবা মচিন-মখাগা ফৈরেং তুরেং চিংদুনা ওইররোইদবা ৱাফম কয়া মখা তানা পেৎ-পেৎ ঙাঙলকখিগদৌরিবনি। অদুবু চীফ সেক্রেটরি শিন্দোকখ্রিবসিবু করিগী ওইগদগে? খ্বালতাবীদা ‘মণিপুর’ মুখৎত্রবদি নৎত্রগা খুমজিন্দ্রবদি চৎপা য়ারোই হায়দুনা থিংলকপা থৌদোক্তুগী মায়োক্তা মীয়াম হৌরকখিবদুগী তেকচাক নম্লিব্রা, থৌদোক্তুগী বলিগী হামেং ওইহল্লক্লিব্রা নৎত্রগা মীহুৎ খরনা লৈঙাক পায়রিঙৈদা শোয় চাবদৌনা শীজিন্নরম্বা লোয়শঙ, কোর্পোরেশন খরগী মথক্তা উকাই তকথদুনা লেমজা চারম্বা শেলগী ঈফুৎশিং মেনশিল্লুবদগী লৈজবী পুথোক্তুনা চৌক্রি নোম্লুবা য়াওব্রা হায়বনি। মরম খরদি শোয়দনা লৈগনি। মরমশিংদু করিনো হংবনি।

## মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্‌থৌলোল্ লম্‌পুপা’

## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৫৯৯)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

অদু নুমিৎতগী য়িং মোল য়াইওইববু। থীবা ফংয়ে হায়বগী। ঈংথি (নীংথি) হায়না মিংথোল মিংকৌখিয়ে। লাইরেল মৈদিংঙুনা। নীংথি তুরেল ঈচেললমদা। তুবী মতিক উৎনা। লাইরেল মথৌনা ফুদোকনা। হুয়েল লালদা খৌশাবদি। তাইপোং লালয়াম লালঙমনা। শেলবী নেৎনা থাঙয়ানলে। কবো চঙনা লালয়াম খোমলে। হুয়েল লালঙমঙৈদা। শিংমিৎ লাখম মিংকৌবা। লায়েপ লালদা থৌবায়াংবা। লাকচাথীনা লালঙমলে। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯵꯹꯹)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯛꯄ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯀꯅꯤ॥)

ꯑꯗꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤ ꯌꯤꯡ ꯃꯣꯜ ꯌꯥꯏꯑꯣꯏꯕꯕꯨ॥ ꯊꯤꯕꯥ ꯐꯪꯌꯦ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ॥ ꯏꯪꯊꯤ (ꯅꯤꯪꯊꯤ) ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯃꯤꯪꯊꯣꯜ ꯃꯤꯪꯀꯧꯈꯤꯌꯦ॥ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯪꯉꯨꯅꯥ॥ ꯅꯤꯪꯊꯤ ꯇꯨꯔꯦꯜ ꯏꯆꯦꯜꯂꯝꯗꯥ॥ ꯇꯨꯕꯤ ꯃꯇꯤꯛ ꯎꯠꯅꯥ॥ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯊꯧꯅꯥ ꯐꯨꯗꯣꯛꯀꯅꯥ॥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯗꯥ ꯈꯧꯁꯥꯕꯗꯤ॥ ꯇꯥꯏꯄꯣꯡ ꯂꯥꯜꯌꯥꯝ ꯂꯥꯜꯉꯝꯅꯥ॥ ꯁꯦꯜꯕꯤ ꯅꯦꯠꯅꯥ ꯊꯥꯉꯌꯥꯟꯅꯂꯦ॥ ꯀꯕꯣ ꯆꯉꯅꯥ ꯂꯥꯜꯌꯥꯝ ꯈꯣꯝꯂꯦ॥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯉꯝꯃꯟꯗꯥ॥ ꯁꯤꯡꯃꯤꯠ ꯂꯥꯈꯝ ꯃꯤꯪꯀꯧꯕꯥ॥ ꯂꯥꯌꯦꯞ ꯂꯥꯜꯗꯥ ꯊꯧꯕꯥꯌꯥꯪꯕꯥ॥ ꯂꯥꯛꯆꯥꯊꯤꯅꯥ ꯂꯥꯜꯉꯝꯂꯦ॥ ●

# হেক চানরগনা লাই, হেক চানদ্রগনা ৱাই



## ৱাইরু-ৱাইরুবদা

ঐসু য়াম্না কন্না নুমিৎতুগী অহিং নোংয়াই অদু ফাওবদি জুলাই ৫, ২০২৫ চিংলি হায়দুনা মীৎ নোইর-নোইরদুনা ঙাইদুনা লৈ। নুংথিল থোক্ত্রবদি নুংদাং ওইনা থোকপা য়াইনা হায়দুনা অহিং মীৎশেল খাঙখি। ইন্টরনেট হাংদুনা, ফেসবূক, য়ুট্যুব,ইন্সটাগ্রামদা চ্যেক তোয়না তৌখি। মানা হায়বদু চুম্মকপ্রা ঙাইখি ? অমুকসু তূম্লিংবনা হেনমনখিদুনা ঙাইদ্রবসু য়ারে থোক্লরোই হায়না খল্লকপসু লৈখি। সিগুম্বা ৱাফমসি চুম্ব্রা হন্দক্তি অমুক্তং ফজনা য়েংদদি য়েংহৌরগেকো হায়না ঙাইবনি। নুপীদুনা (রেও ততসুকি) হায়খিবদু মাগী লাইফাওনি, মঙলান্নি তৌবতবু মানা মদুগী সাইন্টিফিক ওইবা মরমদংদি (রিজন) মতীক চানা পীবা থেংনখিদে। ঐনা থিজিনবা পাক্লা শন্না খোল্লগা নৈনবা অমদি পাবা ঙমদবনা ওইরম্বসু য়াই। রিজন (অচাবা মরম) হায়বা অসি লৈতনা থৌদোক অমা থোকপা য়াদে হায়বসিতদি ঐনা খল্লি। তাইবঙপান অসি অচৌবা অমদি মচা ওইবা রিজন (মরম) কয়াগী চাগোক্লি হায়ফদে। দুনিয়া অসি রিজনগী পোথোক্লি। ৱাখলনা শাগৎপা, মঙ, মঙতাক, মঙফাও অমদি চোইরোল নৎত্রগা হায়রগে হায়না হায়বা তোকঙা নত্তনদি তাইবঙপাল অসি মরম অমগী মখাদা পরিং কায়দনা চৎলিবনি, ওইরিবনি, ওইগদৌরিবনি।

জুলাই ৫, ২০২৫দা জপানদা অকনবা সুনামি লাক্তুনা জপানগী সহর খরা ইরোলনুংদা লুপখ্রগনি হায়না মী য়াম্না কিনখি। জপানদা লম কোয়বা চৎচনীংবা মী কয়া টিকেট কক্লখিদে। হায়রিবা জুলাই ৫, ২০২৫ অদু লাকপা নুমিত্তদি মদু থোকপা তাখিদ্রে। থোক্কনি হায়খিবা অদু মাঙ্গা (?) নৎত্রগা মাহঙ্গা (?) হায়না খঙনবা লাই য়েকপী রেও ততসুকি কৌবী নুপী অমননি হায়না ইন্টরনেটতা থেংনৈ। সুম য়েংনীংলক্তুনা য়েংলুবনি। জপানদা মানা হায়রিবা নুমিৎতুদা শাথীবা নুমিৎ অমা লাক্কদ্রা হায়না ময়াম্না মীৎকুপ নাহুম শিংনা ঙাইনখিবনি। অমরোমদা, মদুগী শাথীরবা সুনামি অদু থোকপা থোক্তবদি লায়রি। অসুম হায়না লাইফাও ফাওবিরবনিনা চুমগদ্রা চুম্লোইদ্রা হায়দুনা তানীংবা হায়বসি মশানা তাই। অশেংবদি লায়রদনা নুমিৎ অদুদা ফেক সুনামি অমফাওবা থোকই হায়বা তাখিদে। জপানদা মদুনা মরম ওইরগা সহর মচা অমত্তা ওইরবসু সমুদ্র ঈরোলনুংদা লুপখিবগী ৱা তাখিদে। লাইবক থীবা থৌদোক কনানসু পাম্নদে। লাইবক ফখি।

“তুংদা ওইগদবা শক্তম অমা ঐনা উরি। জপান অমদি ফিলিপিন্সকী মরক্তা লৈবা সমুদ্রগী মখাদা অহোংবা অমা লৈরক্কনি” হায়না ২০২১দা ফোঙবা মাঙ্গাদা মানা ইখি হায়রি। থোক্কদৌরিবা সুনামি অদু ২০১১গী সুনামি অদুদগী শরুক অহুম হেন্না শাথীগনি হায়নসু মানা ইখি হায়রি। ২০১১গী সুনামিগী লাইফাও অদুসু মানা ফাওখিবনি হায়রি। মীৎমাঙদা চপ চানা তরং তরং থোকখিদ্রবা লাইফাও অদুগী মখা তাবা পাউসু ঐনা কান্নদ্রে হায়দুনা থিরুদ্রে। মদুগী লাইফাওদু চুমহন্নবা মানা মখা তাবা করি লনশোৎপীগী ৱা হায়রকপগে হায়বসু থোইনা তাখিদ্রে।

লাইফাও হায়বা অসিতবু চপ চানা ময়েক শেংনা পুংফম, নুমিৎ অমদি মফম শেংনা হায়বগী মহুত্তা চাউহায় ওইনা হায়রগা মদুগী মতাংদা তাইবঙ মী অতৈনা সিগা সিগা চানৈ, মান্নৈ হায়না পুথোক্লবনি। সাইন্টিফিক ওইবা মরম পীরগা নোং তানি, নোংলৈ-নুংশিৎ শিৎকনি, য়ুহার হাগনি হায়না ৱেদর রিপোর্ট পীরকপদা সমুদ্রদা ঙা ফাবা চৎহন্নদে। মসিগুম্বসি নত্তবদা কনাগুম্বনা চীংউ লাইগী হী-য়াই চেনবা ওইনা হায়রকপা অসি সুম শোয়রক্লবদি মাগী হী-য়াই অদু মাঙলব্রা হায়না চিংনরক্কনি। তুংদা থোক্লক্কদবা হায়বা অসি হায়ফেৎ লুবজাৎনি। ইচম চম্বা মী অমনবুদি হায়বা ঙম্বা নত্তে। চুম্লগনা হেন্না মতিক ময়াই হেনগৎপা, লাল্লগনা মিংচৎ ময়েং তাবা। চুম্না ফাওবা ঙম্লগদি য়াম্না ফরে। ফত্তবদু থোকহন্নীংবগী ৱা নৎচদবা!

জুলাই ৫ অসিগী মমাঙদা ঐনা মফম অমদা সুনামিদুগী মতাংদা হংজখি, “জপানদা দেট ৫দা সুনামি লাক্কনি হায়রিসি রিএল (চান চানমক্কী ওইবা) সুনামিরা নৎত্রগা সিম্বোলিক (প্রমান পান্থে ওইনা তৌবা) ? ওইগদৌরিব্রা?” মাগী লাইফাওসি ঐনা মানা সাইন্টিফিক ওইবা পীখিদবদুদগী ঐনা থাজখিরমদবা ওইরম্বা য়াই। অচাবা মরম হেক হেক পাম্বা অসি তাইবঙ মীগী হৌনশানি। অচাবা মরমদু ফজনা মচা তানা শুগায়না পীরম্লবদি ঐসু হংলমদবা য়াবনি। জপানদদি নুমিৎ খুদিং য়ুহার হাবগী পাউসু তায় অদুনা চুম্মক্কদ্রা য়াম্না কন্না খঞ্জরুবনি। লাউথোক্লুবা ৱা অদু হায়ফেৎ চানরুরগদি মীনা থাগৎনবা ***লাই*** ওল্লি, চানরক্তবা থোক্লগনা কান্নদ্রবা ***ৱাই*** ওল্লি। মমাঙদসু মালেম কায়রনি, লোইরনি ফনয়াম্না হায়নখ্রে, কায়খিদে। কায়হন্নীংবগী ৱা নৎচদবা! ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ লেমন-বাম # ৪৯৯

— প্রো. হুইদ্রোম বীরকুমার —
চীফ সাইন্টিষ্ট
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

থোইদোক হেন্দোক্লা লেমন-বাম (Lemon balm) হায়না কৌনবা হীদাক য়াম্না কান্নরবা পাম্বী অসিগী অতোপ্পা ইংলিসকী ওইবা মমিংদা লেমন বালসম (Lemon balsam) নৎত্রগা স্বিট-বাম (Sweet balm) নৎত্রগা মেলিসা (Melissa) নৎত্রগা স্বিট-মেলিসা (Sweet melissa), হিন্দিদা নিবু বাম (Neebu balm or Neebu baan), সংস্কৃটতা বদ্রংবোয়া (Badrangboya), থাইদা সা-রা-না (Saa-ra-naae), ভিয়েটনামিজদা কিন-গিওই (Kinh gioi), ইন্দোনেসিয়াদা দোন মাদু লিমৌ (Daun madu limau), চাইনিজদা ক্সিয়াং ফেং চাও (Xiang feng Chao), জপানিজদা সিয়ো-য়ামা-হাক্কা (Seiyo-yama-hakka), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা মেলিসা ওফিসিনেলিস (Melisa officinalis L.) হায়না কৌই অমসুং লেমিয়েসী (Lamiaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি তুলসী পাম্বী (ওসিমম সেংঙ্তম), তুকমা পাম্বী (হিপতিস সৌভিওলেন্স), ময়াং-লেম্বুম পাম্বী (ল্যুকস অসপেরা), থোইদিং-অঙৌবা পাম্বী (এনাইসোমেলিস ইন্দিকা) অসিনচিংবনি। দা ইদুনা ফোঙখি।



লেমন-বাম পাম্বী অসি গ্রীক্কী ৱাহৈদগী লাকপনি; ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক্না হনী-বী (Honey bee) হায়বনি। মসিগী মরমদি পাম্বী অসিনা লৈ শাৎপা মতমদা হয়িং-খোই য়াম্না ইনবা অদুদগীনি। স্পিসিসকী মমিং ওফিসিনেলিস হায়বসিনা পাম্বী অসি য়াম্না লিরবা মতমদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরম্বা অসিদগীনি। পাউদমশিংগী মতুংইন্না পাম্বী অসি খোইহি লোক্লবগীদমক্তা ১৬শুবা চহী চাদগী পাক শন্না থানরক্লে হায়বসিনি। ঙসিদি পাম্বী অসি ভেরাইটি মখল কয়া পুথোক্তুনা পাক-শন্না থান্নখ্রে। মরু ওইবা ভেরাইটি খরদি “সিট্রোনেলা” (Citronella), “লেমোনেলা” (Lemonella), “মন্দারিনা” (Mandarina), “ভেরিগাতা” (Variegata), কুদলিনবর্গর (Quadlinburger) অসিনচিংবনি।

Axtell অমসুং Fairman না কুমজা ১৯৯২দা পীখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না লেমন-বাম পাম্বীগী থাউদা য়াওবা মরু ওইবা কম্পাউন্দশিং অদুদি Methyl Heptenone (2.2-8.6%), Citronellal (1.0-8.4%), Linalool (0.5-2.7%), Neral (19.6-36.1%), Geranial (25.3-47.3%), Geranyl acetate (1.2-6.2%), Caryophyllene (1.9-9.7%), Carophyllene Oxide (0.5-9.0%) নি।

খা থংবা য়ুরোপ, মেদিটেরিনিয়নগী তম্পাক্কী লমদমশিং, ময়ায় থংবা এসিয়া অমসুং ইরান্দগী হৌরকফম ওইজরবসু ঙসিদি পৃথিবীগী অয়াম্বা মফমশিংদা অদুমক পাম্না থানরবা লেমন-বাম পাম্বী অসি মীওইবনা কান্নরবা হীরম কয়ামরুমদা পাম্না শীজিন্নরি। লেমন-বাম অসি আইসক্রিম শাবদা মরু ওইবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নবগী মথক্তা চা লোনবদসু মহাও হেনগৎহন্নবা মচল অমা ওইনা হাপ্নে। হৈগী সলাদ শেম্বদা লেমন-বামগী মনা অমসুং মতোন অদু কুপ্না কক্লগা মহাও হেঙ্গৎহনবদসু হাপ্নে। ঙা থোংবা অমদি ঙৌবদসু লেমন-বাম অসি শোইরগা হাপ্নে। লেমন-বাম পাম্বীদগী লৌবা থাউ অদু অকে-অমৌগী পোৎথোকশিং, মায়তৈ হীদাক অমসুং চীন-য়া শেংনবা টুঠপেষ্টশিং শাবদা মরু ওইবা মচল অমা ওইনা হাপ্নে। পাম্বী অসি হয়িং-খোই য়াম্না ইনবা মরম্না হৈকোল-লৈকোনশিংদা পাম্না থানৈ।

লেমন-বাম পাম্বী অসি য়ু (alcohol) দা শুগায়রগা লৌবা মহী অদু কর্মেলাইট ৱাটর (Carmelite Water) হায়না কৌই অমসুং মসি জর্মনি (Germany) গী ফার্মাসিশিংদা য়োল্লি হায়না Hiller Sabine না কুমজা ২০১০দা পাউদমখি। হায়রিবা মহী অসি মখল কয়াগী অনা-লায়েংশিংদা শীজিন্নৈ। লেমন-বাম অসি হীদাক ওইনা শীজিন্নরকপসি চহী ২০০০গী মমাঙদগী গ্রীক (Greek) অমসুং রোমান (Roman) শিংনা শীজিন্নরক্লে হায়বগী পাউদমশিং লৈ। Kennedy অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ২০০২দা পীখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈ চহী ৩০০দগী হৌনা লেমন-বাম পাম্বী অসি মীওইবনা শীজিন্নরক্লে হায়না গ্রীককী অফাওবা পোলিমেথ (Polymath) হায়বদি হীরম কয়ামরুমদা খঙ-হৈরবা মীশক থিওফ্রাসটস (Theophrastus) না মহাক্কী লাইরিক হিষ্টোরিয়া প্লান্টারম (Historia Plantarum)

বিজ্ঞাননা হৌজিক ফাওবদা প্রমান তৌবা ঙমদ্রবসু লেমন-বাম পাম্বী অসি পূক্লিং-ৱাখল লৈতাদবগী লায়েংদা অরিবা মতমদগী শীজিন্নদুনা লাক্লি। অদুবু কুমজা ২০০৬তা Kennedy অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা পীখিবা পাউদমগী মতুংইন্না লেমন-বাম অমসুং ভলেরিয়ন (Valerian) হায়রিবা পাম্বী অনী অসি পুনশিল্লগা শেম্বা হীদাক অদু পূক্লিং-ৱাখল মপূং ফানা লৈতাহনবা ঙম্মী হায়না লেবোরেটোরিদা চাংয়েং চথবদা খঙবা ঙমখি। চীঞ্জাক্তা য়াওবা মহীক-মতাংশিং অসি লেমন-বামগী থাওনা হাৎপা ঙম্বা মরম্না চীঞ্জাক লীবদা থাও অসি শীজিন্নৈ।

তীল-কাংনা চিকপদা লেমন-বামগী থাও অদু তৈবদা কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী হায়বসি লেবোরেটরিদা চাংয়েং চথবদগী খঙবা ঙমখ্রে। লোক থুংবা অমদি থবাক খেবদা লেমন-বামগী থাও অদুনা থবাক অমসুং নাতোন্দা তৈবদা য়াম্না কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী। তুশিন্দুনা তোংশা কায়বদসু লেমন-বামগী থাও অদুনা চাং নাইনা তৈবদা চৈনা অদু মপূং ফানা হস্থহনবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। Culpepper না কুমজা ১৮১৪দা পীখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না লেমন-বাম পাম্বী অসি মীওইবগী হার্ট, থোপ (Brain) অমসুং ঈগী শীংলি-নাওরিশিং মপাঙ্গল কন্না থম্বদা মতেং পাংই হায়খি। Kennedy অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ২০০২দা পীখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না লেমন-বাম অসিদা মীওইবগী নীংশিংবগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা ঙম্বগী মগুণশিং য়াওই। পাম্বী অসি এন্টিওক্সিদেন্টকী চাং ৱাংনা য়াওবা মরম্না উনশা থুনা খুইশিনহনবদগী তপথহনবসু ঙম্মী। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১৮কী ৱাহং

১) “সুজাতাগী মঙনি। চহী কুনগনিথোই মমাঙদা ওইখিবা অয়ূক অমদা অমুক হল্লকই।” ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহানবা পরেংনি। লাইরিক অসিগী মমিং অমদি ট্রান্সলেটরগী মমিং করি কৌবগে?

২) ‘অমম-অঙান’ হায়বসি দ্রামাগী খোমজিনবা লাইরিক অমদা য়াওবা দ্রামা অমগী মমিংনি। য়াওরিবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং অমদি লাইরিক্কী মমিং ইয়ু।

৩) “ঈঙাং তৈরবা চেবাংগী করম্বা লামায়দা
করম্না ইসিগে চোকথরবা খূৎসিনা
হামুক তৈবা নঙগী ঙসিগী পুৱারীসে।”
শৈরেং মতেক অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

৪) “ঈগী খোঙ্গুল লীবা” হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৫) “মাই মেনকা হায়বীদো” হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।



